# অন্দর–১৫ য়ুথ লীগ
# আইজোল এফ সি অমদি ইম্ফাল সিটি এফ সি মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ)না শিন্দুনা টিম ৪না শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা চথ্বরকখিবা অন্দর–১৫ য়ুথ লীগ রেষ্ট ওফ দি ইন্দিয়া গ্রুপ (এ)গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ ২দা আইজল এফ সি অমদি ইম্ফাল সিটি এফ সি মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা নুমালিগরহ রিফাইন্নরি লিমিটেদ ফুটবোল একাদেমী (এন আর এল এফ এ) অমদি আইজোল এফ সি টিম অনিনা লম্বা তৌনবদা আইজোল এফ সি না গোল ৩–০দা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অদুদা আইজোল এফ সিগী মায় পাকপগী গোল ৩ অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২১ লাল ইংলিয়ানা অহানবা হাল্ফকী এদিস্নেল টাইমদা গোল ১, জর্সি নম্বর ৭ লাল রেমরাউতানা মেটচকী মিনট ৭০দা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ৩৮ রাউটপুইয়ানা মেটচকী মিনট ৮৭দা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অদুদা হেমন্তনা সেন্তর রেফরি, টুনেশ্বরনা এ আর ১, য়ুলুং লুংসুনা এ আর ২ অমদি বিদ্যাসাগরনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি অমদি ইম্ফাল সিটি এফ সি টিম অনিনা লম্বা তৌনবদা ইম্ফাল সিটি এফ সিনা গোল ৩–০দা নেরোকা এফ সিবু মায়থিবা পিখ্রে।

নাকল অনিমক্কা থৱায় য়াওনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মিনট ৪৫ চৎপদা ইম্ফাল সিটি এফ সিগী ফেভরদা রেফরিনা পেনাল্টি পিখি। পেনাল্টি অদু ইম্ফাল সিটি এফ সিগী জর্সি নম্বর ১০ এলাংবম সন্তোসকুমারনা কাওদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়নননা মেটচ অদুগী মিনট ৫৭ অমদি ৮৩ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৮ রাউফ এম দিনা গোল ২ স্কোর তৌদুনা মেটচ অদু ইম্ফাল সিটি এফ সিনা মায় পাকখি।

মেটচ অদুগী মিনট ৩৯ অমসুং ৭৪দা নেরোকা এফ সিগী জর্সি নম্বর ১১ প্রভিন খাংঙেম্বমবু রেফরিনা য়েলো কার্দ অনিরক বুক তৌবদগী মেটচতগী মপাল থোকহনখি। মেটচ অদুগী মিনট ৪৩, ৮৬, অমদি এদিস্নেল টাইমদা নেরোকা এফ সিগী মথং সিৎনা জর্সি নম্বর ১ গোল কিপ্পর ইরেংবম সন্তোস, জর্সি নম্বর ৫ এম দি মুসা সাহ অমদি জর্সি নম্বর ৪ লিকমাবম রাকেসপু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা বিজেননা সেন্তর রেফরি, দেহালা না এ আর ১, আর দি রিংগুইদমনা এ আর ২ অমদি রোসিনা চনুনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথ্বরকপা ওইনা থা অসিগী ২১দা শান্নগদবা অহানবা মেটচতা আইজোল এফ সিগা ইম্ফাল সিটি এফ সিগা অমদি অনিশুবা মেটচতা নেরোকা এফ সিগা এন আর এল এফ এগা লম্বা তৌনরগনি।

# খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস দা ওফিসিয়েট তৌগদবা মেটচ ওফিসিয়েলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ
মথং চহিগী জনুৱারি তাং ৩১দগী ফেব্রুৱারি তাং ৮ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস ওফিসিয়েট তৌগদবা মেটচ ওফিসিয়েল ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা খনখ্রে।

খল্লবা মেটচ ওফিসিয়েলশিং অদুদি টি রঞ্জিতা দেবী অমদি রোসিনি চনু মাইবম। খল্লবা ওফিসিয়েলশিং মথং চহি জনুৱারি তাং ২৯দা মথক্তা পনখিবা মফম অসিমক্তা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি। লোয়নননা এ এফ সি চেম্পিয়ন লীগ ২০১৮ প্রিলিমিনারি ষ্টেজ ২–ইষ্ট– পি এস ২.৩ গী মথং অসিগী জনুৱারি তাং ২৩দা চিংগ্রাই য়ুনাইটেদ (টিঐচএ)) অমদি ৱিন্নর পি এস ১.৩ গা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগী মেটচ ওফিসিয়েল তৌনবা সপাম কেনেদিবু এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসননা খনখ্রে।

নাকল অমরোমদা ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা খনখ্রবা ২৩শুবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮ দা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা থা অসিগী তাং ২০গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা টেক্নিকেল কম্মিটি মপাল কাংজৈবুং (ৱুমেন) দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# অহানবা থুংখু কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী টাইটল চেঙখু এফ সি না লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ
চেঙখু এফ সি না অহানবা থুংখু কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী টাইটল লৌখ্রে। অদুগা এ সি এফ সি না রন্নর্স অপ তাহৌরে।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর মনাক্তা লৈবা ভিলেজ মরি চামদিল খৃষ্টিয়ান , চমদিল খুবুল, চামদিল খুল্লেন অমসুং চামদিল হন্থম ভিলেজ ওথোরিটিনা পুন্না শীন দুনা মমাং থা নভেম্বর ২৪ দগী পুন্না টিম ৩২না শরুক য়াদুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স চানেদলদা চথ্বরকখিবা অহানবা থুংখু কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ চেঙখু এফ সি না এ সি এফ সিবু গোল ২–১ দা থোইদুনা চেঙখু এফ সি না টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখ্রে।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী ২১ শুবা মিনটতা চেঙখু এফ সি গী জর্সি নম্বর ৯ কৃষ্ণানানা মখোয়গী অহানা গোল চনখি। টিম অসিমক্কী জর্সি নম্বর ৬ দব্লিউ এল চানানা ৮৬ শুবা মিনটতা গোল অমগা চন্দুনা চেঙখু এফ সি না টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখিবনি।

এ সি এফ সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ ৱাংপোলনা ২৪শুবা মিনটতা চনখিবনি।



টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমসু ঙসি পাঙথোক্তুনা মনা–মথুমশু য়েন্থোকখ্রে। লোইশিনবগী থৌরমদা মহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমর সিংহ না চিফ গেষ্ট, পালিয়ামেন্টরি সেক্রেটরী এল সুসিন্দ্রো সিংহ না প্রসিদেন্ট ওইখি। দি সি চান্দেল কৃষ্ণকুমার, এ দি সি চান্দেলগী সি ই ও টি এস কোথর, এদিসনেল এস পি চান্দেল এম দি জকির, এস দি ও চান্দেল কে এস ঐচ সিদ্দার্থ, স্পেসিয়েল কন্ট্রেক্টর দি কোৱার, অকোইবদা লৈবা ভিলেজশিংগী চিফশিং, অতৈ কয়াসু শরুক য়াখি।

ইলাই স্ক্ৱাদকী স্বামি না বেষ্ট গোল কিপরগী , চেঙখু এফ সিগী কৃষ্ণানা না বেষ্ট প্লেয়রগী, ৱাইল্ড হেন এফ সিগী জসা ওলিভরনা তোপ স্কোররিংগী মনা ফঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী রন্নর্স অপ তাহৌরবা এ সি এফ সিনা রন্নর ট্রোফিগা লোয়নননা লুপা লিশিং ৪০,০০০ , ৱিন্নর ওইখ্রবা চেঙখু এফ সিনা ৱিন্নর ট্রোফিগা লোয়নননা লুপা লিশিং ৭০,০০০গী মনা ফঙখ্রে।



ইং ২০১৭ গী ওইনা বি বি সি টিম ওফ দি ইয়র এৱার্দ ফঙখ্রবা ইংলেন্দ ৱুমেন ক্রিকেট টিমগী শান্নরোইশিং

# ২২শুবা ৱাই নিলমনি মেমোরিয়েল ওপন ছেচ টুর্নামেন্ট ২০১৭

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ
মণিপুর ছেচ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ চেস ক্লবনা শিন্দুনা শিংজমৈ কম্ম্যুনিটি হোলদা ২২শুবা ৱাই নিলমনি মেমোরিয়েল ওপন চেস টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা এন সান্তিকুমার, এ বিনিট, ঐচ জেক্কি অমদি কেঐচ মেরানা মাগী মাগী লম্বাবু মায়থিবা পীদুনা হৌজিক ফাওবদা পোইন্ট ৩।৩ ফংনখ্রে।



ঙসিগী অহুমশুবা তেবলদা এন মনিকান্তাগা ঐচ চক্রিতোম্বীগা অমদি অহুমশুবা তেবলদা ও নিংথেমগা ই সসিকান্তাগা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট হাল্ফ হাল্ফ ফংনখ্রে।

ঙসিগী তেবল নম্বর ৭, ৮, ১০, ১৩, ১৪, ১৫, ১৬, ১৭, ১৮, ১৯, ২১, ২২, ২৩ অমদি ২৪দা মথংসিৎনা কেঐচ সনজয়, মোধুসদোন, ৱাই প্রিতমকুমার, এনজি ভাগিরোৎ, এম ওমেরেন্দ্রো, টিঐচ সামসন, টিঐচ রোসন, এম দোরেন্দ্রো, কেঐচ বিক্রমজিৎ, এল য়েমেন, পি রাজেন্দ্রো, কেঐচ প্রেমচন্দ্র অমদি এ সরৎনা মাগী মাগী লম্বাশিংবু মায়থিবা পিদুনা ফুল পোইন্ট ফংনখ্রে।

অদুগা তেবল নম্বর ৯, ১১ অমদি ২০দনা মথংসিৎনা টিঐচ গোবিনগা ঐচ সোমোকান্তাগা, টিঐচ পোইরৈখোম্বগা টিঐচ নবচন্দ্রগা অমদি ঐচ মনিতোনগা ধনচন্দ্রগা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট হাল্ফ হাল্ফ ফংনখ্রে।

১২শুবা তেবলদা লম্বা থেংনগদবা এন হেরোজিৎ অমদি এন তোকিয়ো অনিমক লাকখিদ্রে।

তেবল নম্বর ২৫, ২৬, ২৭ অমদি ২৮দা লম্বা থেংনগদবা মথংসিৎনা এম মনজিৎ, ৱাই সমানন্দ, আরকে অমর্জিৎ এম রনবিরগী লম্বাশিং লাক্তবদগী হায়রিবা শান্নরোইশিং অসিনা ৱাক্ক ওভর ফংদুনা ফুল পোইন্ট ফংনখ্রে।

# ২৯শুবা জুনিয়ার বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮
# দি এফ এ থৌবালনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট ৫গী টিম ৫না গ্রূপ ২ থোক্না খায়দোক্তুনা অর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথ্বরক্লিবা ২৯শুবা জুনিয়ার বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (দি এফ এ) থৌবালনা গোল ৫–২দা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ) ককচিংবু মায়থিবা পিদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রে।



ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ তাবা মতমদগী হৌদুনা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখ্রবা দি এফ এ থৌবালগী গোলশিং অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৬ এন বিক্রমনা মেটচকী মিনট ১৬ অমদি এদিস্নেল টাইমদা গোল ২, জর্সি নম্বর ৮ এসঐচ ধনবিরনা মেটচকী মিনট ৬১ অমসুং ৮০ গোল ২ অমদি জর্সি নম্বর ১১ কে জুরেম্বনা মেটচকী মিনট ৬৮দা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা দি এস এ ককচিংগী গোল ২ অদুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ দব্লিউ সদানন্দনা মেটচকী মিনট ৭২দা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ১০ এস মাইকেলনা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অদুগী মিনট ৩৪দা দি এফ এ থৌবালগী জর্সি নম্বর ২ কেঐচ হেম্বা অমদি মেটচকী মিনট ৬৭তা দি এস এ ককচিংগী জর্সি নম্বর ৪ এন কিষনবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা ৱাই দেবচান্দনা সেন্তর রেফরি, ঐচ মহেসনা এ আর ১, দব্লিউ ইবোয়াইনা এ আর ২ অমদি এস প্রেমকুমারনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদু লোয়রবা মতুং টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরম অমা পাংথোক্তুনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখি।

# জিট কুন–দোগী সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ
থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা লৈবা নেসনেল ষ্টেদিয়মদা মথং চহিগী মাচ ১২দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড জিট কুন–দো চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা জিট কুন–দো প্লেয়রশিং হায়বদি চহি অসিদা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড অমদি সিলভর মেডল লৌরক্লবা জিট কুন–দো শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ২৪গী অয়ুক পুং ৭তগী অয়ুক পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা কম্মুনিটি হোলদা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না জিট কুন–দো এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ
২৪শুবা সেনিয়র নেসনেল সেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়ন্সপ মেন্স এন্দ ৱুমেন্স করহিদোদে কেরালাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মণিপুর টিমগী রিপ্রজেন্ট তৌরুনবগীদম্‌তা ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ২৫ দগী ২৮ ফাওবা আইএমএসয়ুসিগী গ্রাউন্দ হৈঙাংদা পাঙথোক্লগনি।

থা অসিগী ২৫ দা ওল মণিপুর সেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসনগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা প্লেয়রশিংনা ওল মণিপুর সেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীদা অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌগদবনি লোয়নননা প্লেয়িং কিতসু য়াওরক্কদবনি হায়রি।

# ভিজয় মার্চেন্ট ত্রোফি অন্দর–১৬

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ
বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা শিন্দুনা নুমিৎ হুমনি চথ্বগদবা মণিপুর অমদি সিক্কিমগী টিম অনিনা লম্বা থেংনগদবা ভিজয় মার্চেন্ট ত্রোফি অন্দর–১৬ (২০১৭–১৮) ঙসিদগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়ম, লুৱাংশংবমদা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী দে–১গী তোসতা মণিপুরনা মায় পাক্তুনা অহানবা ইন্নিংস্তা মণিপুরনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়নননা ওভর ৫০.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ১১৮ লৌবা ঙমখ্রে।

অনিশুবা ইন্নিংস্তা বেট্টিং তৌখিবা সিক্কিমনা ওভর ২৩.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ২৯ দমক লৌবা ঙমখ্রে।



# ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিয়েল সিআরপিএফ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ
চৎলিবা চহি অসিগী দিসেম্বর ১১দগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়ম অমদি এষ্ট্রো তর্ফ গ্রাউন্দা চথ্বরকখিবা ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিয়েল সিআরপিএফ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা নোক আউত টুর্নামেন্ট ওইনা গ্রুপ সেন্টর সিআরপিএফ অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন অনীগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরগী মকোক ওইবা ফুটবোল টিম ১৬না শরুক য়াদুনা মায় পাক্লা পাংথোরকপগী অরোইবা শরুক লাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা দি এম রাউ সেকমাই অমদি এস এস য়ু শিংজমৈনা সিদেম্বরগী ২০ দা অকনবা লম্বা থেংনরগনি।



সহিদ ওইখ্রবা মনোরঞ্জন সিংহ ইং ১৯৭৯ গী এপ্রিল ১দা পোকখিবা মণিপুরী মচানি। ইং ২০০৩ দা দিএভি পিজি দেহরাদুনদগী প্রেজুয়েৎ লোয়দুনা ইং ২০০৯ তা এসিষ্টেন্ট কম্মন্দেন্ট ওইনা সি আর পি এফ তা চংখিবনি।

পুকচেল শেংবা, হোৎনবা কনবা অমদি শান্নবদা থৱায় য়াউরকপনা মহাক ইলাইত ফোর্স ২০১ বিএন কোব্রাদা সেলেক্সন ফংখি। ইং ২০০৯ গী সেপ্টেম্বর ১৬তা মহাক্না লুচিংদুনা আইননা য়াদ্রবা লালহৌবা মাওইষ্টকী মরুওইবা ত্রেনিং কেম্প অমা থুগাইবতা নত্তনা মফমদুদা লৈরম্বা খুৎশু খুৎলায়গী ফেক্টরি অমসু লোইশিল্লন্নগা হল্লকপগী লম্বীদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা খংহৌদনা এম্বুস তৌরক্তুনা থৌনা ফনা শুক্লবা জঙ্গলদুনা পুং কয়া নোংমৈ মশিং খংদনা কাপ্পরবা মতুংদা মাওইষ্ট লালহৌবশিং অদু খাঙবা ঙমদ্রদুনা চেনখ্রবা মতুংদা, অশোকপা অশিবা কয়াগী মরক্তা মনোরঞ্জনগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংসু য়াওরমখিবনি। থৌনা ফরবা ওফিসার মনোরঞ্জনবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ভারত সরকারনা পোলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি (শিরবা মতুং) এৱার্দ পীখি। ঙসিদি থৌনা ফরবা মণিপুরি মচা মনোরঞ্জন পেরা মিলিতরি ফোর্স সি আর পি এফকী ইতিহাসতা সনাগী ময়েক্লা ময়েক লানা ইদুনা মতম পুম্বদা নিংশিংনরগনি।

দিসেম্বর ২০গী পুং ১দগী ক্লোজিং সেরেমোনিগা লোয়নননা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা ইকায়খুম্নরবা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর শ্রী এন বিরেননা চিফ গেষ্ট ওইগনি অমদি ফুটবোল পামজবা লমদমসিগী মীওইশিংনা গ্রান্দ ফাইনেল অসিবু মীৎয়েং তাবীনবা ১০৯ বিএন সি আর পি এফ মোংশাঙ্গেগী সেকেন্দ ইন কম্মন্দ এন রনরিব সিংহনা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*